# নুপী ওইবীশিংবু দোমেসটিক ভাইয়োলেন্সতগী ঙাকথোকলগা থম্নবা এক্ট, ২০০৫
## ২০০৫ কী নঃ ৪৩ [১৩ সেপ্তেম্বর ২০০৫]

সমৱিধানগী ওইবা আইন অমগী মতুং ইন্ন ইমুং-মনুংদগী নৎত্রগা অতোপ্পা থৌদোক-ৱাথোক কয়াদগী চৈথেং ফংলবী নুপী ওইবীশিংবু মশাগী হক কঞ্জনবা আইন অমা।

ইন্দিয়ানা চহি ৫৬ রিপব্লিক ওইনা লৈরক্লবদা পারলিয়ামেন্ট কী রিপব্লিক ওইনা লৈরক্লবদা পারলিয়ামেন্ট কী খুথাংদা চৎনরক্লিবা আইনশিং অদুদি :-

১. আইন অসিগী মতাংদা

ক) আইন অসিবু প্রোতেকসন ওফ ৱিমেন ফ্রোম দোমেশটিক ভাইওলেন্স, ২০০৫ হায়না খঙনৈ।

খ) আইন অসি জম্মু কাশমীর থাদোক্লগা ইন্দিয়াগী মফম পুম্নমক্তা চৎনৈ।

গ) ওফিসিয়েল গেজেত কী ওইবা নোটিফিকেসন অমা থোক্লবা মতুংদা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্ত না আইন অসিবু চৎনহল্লি।

২. আইন অসিগা মরি লৈনবা ৱাহন্থোক খরা :-

ক) দোমেসটিক ভাইওলেন্স গী আইনগী মখাদা "এগ্রীব্দ পরসন" হায়রগা ইমুং মনুংগী মীওৎ-মীনৈনা অৱাফমদা তাহল্লাবা নুপী ওইবীশিংবু খঙনৈ।

খ) "চাইলদ" হায়বগী অর্থদি চহী ১৮ গী মখাদা লৈবা মীওইশিংবু খঙনৈ, কনাগুম্বনা য়োকচবা অঙাং মশামকনা পোক্তবা অঙাং নত্রগা কনাগুম্বনা শেম্বি শাবিবা অঙাংসু হায়রিবা অসিদা মনুং চল্লি;

গ) "কম্পেন্সেসন ওরদর" হায়রগা সেকসন ২২ দা য়াওরিবা ৱারোল অদুবু খঙনৈ;

ঘ) "কষ্টদি ওরদর" হায়রগা সেকসন ২১ দা পল্লিবা ৱারোল অদুবু খঙনৈ;

ঙ) "দোমেষটিক ইন্সিদেন্ট রিপোর্ট" হায়রগা এগ্রীব্দ পরসন অমনা থাংগৎলকপা দোমেষটিক ভাইওলেন্সকী রিপোর্ট অদুবু খঙনৈ।

চ) “দোমেষটিক রিলেসনশিপ” হায়রগা মীওই অনিগী মরক্তা লৈরিবা মরি অদুনি। মীওই অনি অসি য়ুম অমতদা পুন্না লৈমিন্নাবা, হায়বদি লুহোংলগা লৈমিন্নাবা, লুহোংবগী মওংদা মরি থম্বা, চাউয়োক-নাওয়োক্তনা, নত্রগা জোইন্ট ফেমিলী অমগী মেম্বর ওইনা অমদি মপা-মপু তিন্নাবা মীওই ওইগদবনি।

ছ) “দোমেষটিক ভাইওলেন্স” হায়বগী ৱাহন্থোক অসি সেকসন ৩ গী মনুং চন্না লৈ।

জ) “দাওরী” হায়বগী ৱাহন্থোক অসি সেকসন ২ গী মনুং চন্না দাওরী প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৬১ (২৮ ওফ ১৯৬১) হায়না লৈ।

ঝ) “মেজিষ্ট্রেট” হায়রগা ফার্স্ট ক্লাস মেজিষ্ট্রেট নত্রাগা কোড্ ওফ ক্রিমিনেল প্রোসিজর ১৯৭৩ গী মখাদা মেট্রোপোলিতান মেজিষ্ট্রেট পু খঙনৈ। মেজিষ্ট্রেট অসিনা কোনবা লম না এগ্রিব্দ পরসন্ অদুনা মতম খারাগী ওইনা লৈবা নত্রাগা মহাক্কী মায়োক্তা লৈরিবা মীওই অদুনা লৈবা নত্রাগা দোমেষটিক ভাইওলেন্স অদু চত্থরিবা মফম অদু ওইগনি।

ঞ) “মেদিকেল ফেসিলিটী” হায়রগা স্টেট্ গভর্নমেন্ট পু এক্ট অসিগা মরি লৈনবা থবক্কীদমক মেদিকেল ফেসিলিটী ফংহন্নাবা খংহনবা।

ট) “মোনিতরি রিলীফ” হায়রগা এক্ট অসিগী মখাদা দোমেষটিক ভাইওলেন্স না মরম ওইরগা অৱা-অনা নংলবা অমাং-অতা য়াওরবা মীওইবু হিয়রিং চত্থরিঙৈ মতম অমদা হেক্তা মতেং ফংহনবা অসিনি।

ঠ) “নোটিফিকেসন” হায়রগা ওফিসিয়েল গেজেত্তা পব্লিস্ তৌরকপা নত্রাগা ফোংদরকপা ৱাফম কয়াবু খঙহনবা হায়বা অসিনি।

ড) “প্রেসক্রাইব্দ” হায়বগী অর্থদি এক্ট অসিগী মখাদা প্রেসক্রাইব্দ হায়বদি য়ারবা নিয়ম অদুনি।

ঢ) “প্রোটেকসন্ ওফিসর” হায়রগা সব-সেক্সন (১) ওফ সেক্সন ৮ কী মখাদা স্টেত্ গভর্নমেন্ট না খনগৎলবা ওফিসর অদুবু খঙনৈ।

ণ) “প্রোতেকসন্ ওরদর” হায়রগা সেক্সন ১৮ গী মতুং ইন্না থোকপা ওরদরবু খংনৈ।

ত) “রেসিদেন্স ওরদর” হায়রগা সব-সেক্সন (১) ওফ সেক্সন ১৯ গী মতুং ইন্না থোকপা ওরদরবু খংনৈ।

থ) “রেসপোনদেন্ত” হায়রগা এগ্রীব্দ পারসন্ অদুগা মরি লৈনরিবা নত্রগা এগ্রীব্দ পারসন্ অদুনা কমপ্লেন থাংগৎলক্লিবা মীওই নুপাদুবু খংনৈ। মীওই অদু এগ্রীব্দ পারসন্ ওইরিবা নুপী নত্রগা লুহোংলবা নুপী অদুগী মপুরোইবগী মরি-মতা নত্রগা মহাক্কা মরি লৈনরিবা নুপা অদু ওইগনি।

দ) “সরৱিস প্রোৱাইদর” হায়রগা সেক্সন ১০ গী সব-সেক্সন (১) গী  মখাদা লৈরিবা ইন্তিতি হায়বদি  তোপ-তোপ্পা ফিভম মতৌ মওং অদুবুনি।

ধ) “শের্দ হাওস্‌হোলদ” হায়রগা মতম খরগীবু ওইরসু নত্রগা অক্কনবা মতম অমা ওইদ্রবসু করিগুম্বা এগ্রীব্দ পারসন্ অদুনা মথন্তা নত্রগা রেস্পোন্দেন্ট অদুগা পুন্না য়ুম অমদা লৈমিন্নাবা ওইগদবনি। য়ুম অদু ভরাগী য়ুম নত্রগা মখোয় পুন্না য়ুম অদুগী মপু ওইমিন্নাবা নত্রগা ভারাবু ওইরবসু মসাগীবু ওইজরবসু মখোয় অনিগী মনুংদা অমগী নত্রগা পুন্না মপু ওইমিন্নারবসু নত্রগা রেস্পোন্দেন্ট অদুগী ইমুং-মনুংগীবু ওইরবসু এগ্রীব্দ পারসন্ অদুগী হক নত্রগা ফংফম থোকপা শরুক লৈগনি।

ন) “সেলটর হোম” হায়রগা এক্ট অসিগা মরি লৈনবা থবক-থৌরমগীদমক স্টেত্ গভর্নমেন্ট না করিগুম্বা মখলগী চংজফম অমা পিগনি হায়বনি।

৩. দোমেষটিক্ ভাইওলেন্স গী ৱাহন্থোক:

এক্ট অসিগী মতুং ইন্না কনাগুম্বা রেস্পোন্দেন্ট অমনা চথুরকপা থবক-থৌরম মওং-মতৌনচিংবনা দোমেষটিক্ ভাইওলেন্স থোকহনবদা মতেং পাংই মদুদি:-

ক) করিগুম্বা এগ্রীব্দ পারসন্ অদুবু মখল-মখা কয়াগী খুদংথিবা নংহল্লবা হায়বদি হকচাংদা অশোক্-অপন্, অনাবা, নত্রগা হকচাংদা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা, পুন্সিবু ফনা লৈবদা তেমশিংনবা মওং হায়বদি পুকনিং-ৱাখল গী ফিভমবু শোকহনবা য়াবা ৱাফম, হায়ব-ঙাংবনচিংবা অদুগা সেকচুৱেল এব্যুস নত্রগা ইকোনোমিক এব্যুস (শেল-থুমগী মতাং), নত্রগা

খ) আইন না য়াদবা দিমান কয়া হায়বদি অউনপোৎকি নত্রগা লন-থুম সম্পতি নত্রগা মমল য়ামলবা মাল-চাংশিং ফংনবা নত্রগা লৌনবা হোৎনবদা এগ্রীব্দ পারসন্ অমসুং মহাক্কা মরি লৈনব মীওই অদুবু অৱাফমদা তাহনদুনা নত্রগা অশোক-অপন নংহল্লাবা, নত্রগা

গ) ক্লোস (ক) নত্রগা ক্লোস (খ) দা পঞ্জখ্রিবা ৱাফম অসিনা মরম ওইরগা এগ্রীব্দ পারসন্ অদুবু কিহনবা, নত্রগা

ঘ) হকচাংদা অশোক-অপন নত্রগা ৱাখলদা করিগুম্বা মখলগী চৈথেং ফংহনবা

শন্দোকনা তাকপা ১: সেক্সন অসিগী মতাংদা

১) "হকচাংদা পিবা চৈথেং" হায়রগা হকচাংদ অনাবা-চৈনা পিবা, পুন্সিবু অৱাফমদা তাহনবা, শোইনাইহনবনচিংবা থৌওং অসি আইন না য়াদবা থৌইনসিন অমগী মখাদা চত্থবা অদুনি।

২) নুপী অমগী মতিক মগুন্দা অকাইবা পিবা, ইকাইব নংহনবা, হন্থবা থাক্তা থম্বিবা, অসিগুম্লবা সেকচুৱেল নেচর দা চৎথরকপা থৌওংশিং অসি সেকচুৱেল এব্যুস তা মনুং চল্লি

৩) "ভারবেল এন ইমোসনেল এব্যুস" অসিদা মনুং চল্লিবা থৌওংশিং অদুদি :-

ক) মীবু থৌওই উশিত্তনা তৌবা, করেমনবা, মমিং অমা কৌরগা মীবু ইকাইব পিবা মরু ওইনা মচা পোক্তবগী নত্রগা মচা নুপা পোক্তবগী, অমসুং

খ) এগ্রীব্দ পারসন্ অদুগা চানবা-নকনবা মীওইশিংদা হঞ্জিন- হঞ্জিন শোকপা-পনবা পিবা নত্রগা ধমকী পিবা অসিনি।

৪) "ইকোনোমিক এব্যুস" অসিদা মনুং চল্লিবা থৌওং অদুদি :-

ক) এগ্রীব্দ পারসন্ অদুনা ফংফম থোকপা পৈশা, আইনগী মখাদবু ওইরবসু কোর্ট কী চেরোল অমগী মখাদবু ওইরবসু নত্রগা মশাগী দরকার নত্রগা য়ুমগী দরকার ওইবদা চংবা পৈশা শিংবু মশাদা ফংহনদবা অসিনি। মসিদা এগ্রীব্দ পারসন্ অদুগী

মচা-মশু য়াওরগা পুন্না নত্রগা তোঙান্না লন-থুম, ষ্ট্রীধন (stridhan) অমগী মপু ওইমিন্নরিবা অদুবু শেমজিন-শাজিনবা অদুগা অকাইবা পিবা অদুবু ইকোনোমিক এব্যুস কৌই।

খ) এগ্রীব্দ পারসন্ নত্রগা মহাক্কি অতোপ্পা মমিং অমদা নত্রগা মহাক্কি মচাশিং নত্রগা মহাক্কি ষ্ট্রীধন গা মরি লৈনবা সমপটিবু অমাং-অতা থোকহনবা অসিনি, মসিদা মহাক্কা অতোপ্পগা পুন্না মপু ওইমিন্নাব সমপটিশু য়াওরি।

গ) য়ুম অদুদা লৈমিন্নাবগী মরী অমগী মখাদা এগ্রীব্দ পারসন্ অদুবু লন-থুম মান-চাং শিজিন্নবদগী থিংবা অসিসুনি।

শন্দোকনা তাকপা ২

সেক্সন অসিগী মখাদা "দোমেসটিক ভাইয়োলেন্স" অসি পাংথোকপদা মনুং চনবা-চন্দবা ফিভম নত্রগা থৌওং খরা :-

৪. প্রোটেকসন্ ওফিসর দা পিবা পাউ অমদি পাও পিরিবা মীওই আদুগী মাইকৈদ্গী তৌফম থোকপা থবক :-

ক) কনাগুম্বা মীওই অমনা দোমেসটিক ভাইয়োলেন্সকী মতাংদা মরি লৈনবা প্রোটেকসন্ ওফিসরদা পাও পিরকপা য়াগনি।

খ) সব-সেক্সন (১) গী মখাদা চত্থরকপা থৌওংগীদমক মীওই আদুদ্গী করিগুম্বা অমতা লৌরোই ইচাম-চম্নবু ওইরসু নত্রগা আইন না য়াদবা মওংদ ওইরবসু।

৫. পুলিস ওফিসর, সরৱিস প্রোৱাইদর অমসুং মেজিষ্ট্রেট কী মথৌশিং :-

করিগুম্বা দোমেসটিক ভাইয়োলেন্সকী ওইবা ৱাকৎ পুলিস ওফিসর, সরৱিস প্রোৱাইদর, নত্রগা মেজিষ্ট্রেটনা ফংলদি মখাদা পল্লিবা ৱারোলশিং অসি এগ্রীব্দ পারসন্ অদুদা খঙহনবা তঙাই ফদে :-

ক) এক্ট অসিগী মখাদা এগ্রীব্দ পারসন্ না মশাগী হক অমা ওইনা এপ্লিকেসন অমগী খুথাংদা পৈশাগী তেংবাং, প্রোতেক্সন ওরর্দ, কস্তদি ওরর্দ, রেসিদেন্স ওরর্দ, কম্পেন্সেসন ওরর্দ নত্রগা অসিগুম্লবা ওরর্দ অমগী খুথাংদা তেংবাং ফংন্নবা পাম্বে লৈগনি।

খ) সরৱিস প্রোৱাইদর শিংদগী সরৱিস শু ফংগনি।

গ) প্রোটেকসন্ ওফিসর শিংদগীশু সরৱিস কী তেংবাং ফংগনি।

ঘ) লিগেল সরভিসেস ওথোরিতি এক্ত, ১৯৮৭ (৩৯ ওফ ১৯৮৭) গী মখাদা লিগেল সরভিসেস ফ্রি ওইনা ফংগনি।

ঙ) ইন্দিয়ান পেনাল কোদ সেক্সন ৪৯৮ এ গী মখাদা (৩৯ ওফ ১৯৮৭) চৈথেং ফংলবা নুপিশিংনা ৱাকৎ থাঙগৎপা য়াগনি। আইনগী মখাদা পুলিস ওফিসর অমনা লৌফম থোকপা থৌদাং লৌগদবনি হায়না এক্ট অসিনা হাইরি।

৬. সেতল হোম গা মরি লৈনবা থৌদাং :

করিগুম্বা এগ্রিব্দ পারসন নত্রাগা সরভিস প্রোভাইদর অমনা সেতল হোম হায়বদি চঙজফম পীবা মফম অদুগী ইন-চারজ ওইরিবা মীওই অদুদগী চংজফম অমা পিবিরকনবা হাইজরুবদা চংজফম অদু পিবিরক্কনি।

৭. মেদিকেল ফেসিলিতিস কা মরি লৈনবা থৌদাং :

করিগুম্বা এগ্রিব্দ পারসন নত্রগা মহাক্কী মহুত্তা প্রোতেক্সন ওফিসর নত্রগা সরভিস প্রোভাইদর অমনা মেদিকেল ফেসিলিতি গী ইন-চারজ ওইরিবা মীওই অদুদা মেদিকেল এদ কীদমক হায়জরুবদা মেদিকেল গী ওইবা তেংবাং ফংগনি।

৮. প্রোতেক্সন ওফিসর শিং এপোইন্ত তৌবা :

ক) ডিসট্রিক্ট খুদিংগী ওইনা প্রোতেক্সন ওফিসর শিং ষ্টেট গোভর্নমেন্ত না এপোইন্ত তৌদুনা এক্ত অসিগী মখাদা মখোয়না পাঙথোক্কদবা থবক-থৌরমশিং খঙহনগদিস্ত্রিক ডিসট্রিক্ট খুদিংগী ওইনা প্রোতেক্সন ওফিসর শিং ষ্টেট গোভর্নমেন্ত না এপোইন্ত তৌদুনা এক্ত অসিগী মখাদা মখোয়না পাঙথোক্কাদবা থবক-থৌরমশিং খঙহনগনি।

খ) প্রোতেক্সন ওফিসর শিং অসি নুপীনা ওইবনা হেন্না মতিক চাই তৌইগুম্বসুং লম্ অসিদা মশাগী ক্বালিফিকেসন অমদি এক্সপরিয়েন্স লৈবা ওইগদবনি।

গ) প্রোতেক্সন ওফিসর অমদি মহাক্কী মখা থাবা ওফিসর শিং না চৎকদবা নিতি-নিয়ম অমা লৈগনি।

৯. প্রোতেক্সন ওফিসর অমনা পায়খৎকদবা থবক-থৌরম :-

ক) এক্ত অসিগী মখাদা মেজিস্ত্রেট না পাঙথোকপা থবক্তা  মহাকসু থৌদাং য়াগানি।

খ) ইমুং-মনুংগী ৱাথোক অমা থোকপাগী রিপোর্ট অসি প্রোতেক্সন ওফিসর না মেজিস্ত্রেট, পুলিস স্তেসন অমদি মফম অদুগী সরভিস প্রোভাইদর শিংদা পিখৎকনি।

গ) মেজিস্ত্রেট তা দরখাষ্ট অমা থাবা মতমদা এগ্রিব্দ পারসন অদুগী অপাম-পামদা মতুং ইন্না প্রোতেক্সন ওরর্দ অমা থোখন্নাবা হোৎনবা।

ঘ) লিগেল সরভিসেস ওথোরিতি এক্ত, ১৯৮৭ (৩৯ ওফ ১৯৮৭) গী মখাদা আইনগী ওইবা তেংবাং অমসুং কমপ্লেন ফোর্ম অদু লেন্না ফংহনবগী থবক তৌগনি।

ঙ) থৌদোক থোক্লিবা মফম অদুবু কোল্লিবা মেজিস্ত্রেট কী মনুং চনবদা লৈবা সরভিস প্রোভাইদর খুদিংগী লিস্ট অমা শেমদুনা থমদা।

চ) করিগুম্বা এগ্রিব্দ পারসন অদুদা য়াম চেকশিনবা চঙজফম-লৈফম অমা পিবিরবদি মদুগী রিপর্ত অমা লমদম অদুগী মেজিস্ত্রেট নত্রগা পুলিস শ্তেসন দা থাবগী থবক প্রোতেক্সন ওফিসর না পায়খৎলি।

ছ) করিগুম্বা এগ্রিব্দ পারসন অদু অশোক-অপন্ য়াওরবদি মদুগী রিপর্ত অমা লমদম অদুগী মেজিস্ত্রেট অমদি পুলিস শ্তেসন দা প্রোতেক্সন ওফিসর না থাগৎলি।

জ) কোদ অফ ক্রিমিনেল প্রোসিদ্যুর ১৯৭৩ (২ ওফ ১৯৭৩) গী মখাদা সেক্সন 20 গী মতুং ইন্না শেলগী ওইবা মতেং চপ চানা ফংহনবা হায়বা অসি প্রোতেক্সন ওফিসারনা য়েঙশিনবিগদবনি।

ঝ) অসিগুম্লবা থৌদাং কয়ামরোমদা শরুক য়াবা অসিনি। এক্ত অসিগী মখাদা, প্রোতেক্সন ওফিসর অসি মেজিস্ত্রেট কী মিৎয়েং মখাদা থবক থৌরম পুন্নমক তৌগদবনি।

১০. সরভিস প্রোভাইদর শিংগী মরমদা :

ক) শোসাইতিস রেজিস্ত্রেস শোসাইতি রেজিস্ত্রেসন এক্ত, ১৮৬০ (২১ ওফ ১৮৬০) গী মখাদা রেজিস্ত্ররদ তৌরবা ভোলুন্তরি এসোসিয়েসন নত্রগা কম্পেনি এক্ত ১৮৫৬ (১ ওফ ১৯৫৬) কী মখাদা রেজিস্ত্ররদ তৌরবা কম্পেনি নত্রগা নুপিগী হক পু কান্নানবা মতম-মতম গী চৎনরকপা আইনগী মখাদা আইনগী মতেং, পৈশা, হিদাক-লাংথক্কী নত্রগা অতোপ্পা মখলগী মতেংশিংবু ষ্টেট গোভর্নমেন্ত কী মখাদা লোইনা রেজিস্ত্রর তৌদুনা সরভিস প্রোভাইদর অমা ওইনা থবক তৌই।

খ) সব-সেক্সন (১) গী মখাদা রেজিস্ত্রর তৌরবা সরভিস প্রোভাইদর অমগী শক্তি অদুদি:

১) করিগুম্বা এগ্রিব্দ পারসন অদুগী অয়াবা-অপাম্বা লৈরবদী দোমেস্তিক ইন্সিদেন্ত অদু রেকোর্দ তৌদুনা ফোর্ম অমদা মেজিস্ত্রেট অমদি প্রোতেক্সন ওফিসর দা থাগৎপা;

২) এগ্রিব্দ পারসন অদুগী মেদিকেল্লি একজামিন তৌরবা রিপোর্ট অমা প্রোতেক্সন ওফিসর অমদি পুলিস স্তেসন দা থাগৎপা;

৩) এগ্রিব্দ পারসন অদুদা দরকার ওইবা লৈফম-চাফম অমা পিননবা থৌদক থোক্লিবা লম অদুবু কোল্লিবা পুলিস স্তেসন অদুদা রিপোর্ট অমা থাগৎপা;

গ) এক্ত অসিগী মখাদা, দোমেসটিক ভাইয়োলেন্স গী থৌওংদগী ঙাকথোকনবা হোতনবদা পাইখৎপা থবক (অফবা ৱাখল অমগা লোইনন) শিংগী মায়োক্তা আইনগী ওইবা মিতয়েংদা অকাইবা থবক ওইরোই।

১১. সরকারগী থৌদাং : সেন্ত্রেল গভর্নমেন্ত অমদি ষ্টেত গভর্নমেন্ত খুদিংমকনা পাইখৎকদবা থবক থৌরমশিং :-

ক) এক্ত অসিগী মরিক চুম্বা ৱারোল পব্লিক মেদিয়া গী খুত্থাংদা হায়বদি তেলিভিজন, রেদিও অমদি প্রিন্ট মেদিয়া শিজিন্নাদুনা প্রজা মিয়ামদা মতম-মতমগী ওইনা খঙহনগদবনি।

খ) এক্ত অসিদা য়াওরিবা ৱারোল অসিগী মতাংদা শেন্ত্রেল গোভর্নমেন্ত অমসুং ষ্টেট গোভর্নমেন্ত কী কর্মচারীশিং হায়বদি পুলিস ওফিসর অমদি জুদিসিয়েল সরভিস তা লৈরিবা মেমর্ব শিংদা ত্রেনিং প্রোগ্রাম কয়া তৌদুনা খঙহনবা অসিনি।

গ) মরি লৈনবা মিনিসত্রিস অমসুং আইন্, লৈঙাক-শাশোন গী মরি লৈনবা হোম এফেয়রস, হকশেল অমদি দোমেসটিক ভাইয়োলেন্সকী মতাংদা তেংবাংলিবা দিপারতমেন্তশিং অসিগা য়াম্না ইফেক্তিভ ওইবা মওংদা থবক-থৌরম শিং পাংথোকমিন্নগদবনি।

ঘ) এক্ত অসিগী মখাদা নুপী ওইবীশিংবু তেংবাংনবাগীদমক মরি লৈনবা মিনিস্ত্রি শিংদা কোর্ট শিংদা মখোয়না চৎকদবা চৎন-পথাপ অমা চপ চানা খঙহংদবনি।

১২. মেজিস্ত্রেট তা থাগতপা এপ্লিকেসন গী মতাংদা :

ক) এক্ত অসিগী মখাদা, এগ্রিব্দ পারসন নত্রগা প্রোতেক্সন ওফিসর নত্রগা এগ্রিব্দ পারসন অদুগী মহুৎ শিন্দুনা মীওই অমনা মেজিস্ত্রেট তা এপ্লিকেসন থাগৎপা য়াই। এপ্লিকেসন অদুবু চেকসিন্না য়েংলবা মতুংদা ৱারোল অমা মেজিস্ত্রেট না পাস তৌরক্কনি।

খ) সব-সেক্সন (১) অসিগী মখাদা চাত্থরকপা থৌওং অমা ওইনা ফংগদনবা তেংবাং অমা দোমেসটিক ভাইয়োলেন্স থোকপা মতমদা ফংগনি। পৈশাগী তেংবাং নত্রগা থোকখিবা অমাং-অতাগীদমক ফংগদবা পৈশাগী শেন্থুং অদু কোর্ট ওফ সিভিল প্রোসিদ্যর ১৯০৮ (৫ ওফ ১৯০৮) গী মখাদা মেজিস্ত্রেট তাগী থোকপা চেরোল অমানা ফংহনগনি।

গ) সব-সেক্সন (১) অদুগী মখাদা – এপ্লিকেসন ফোর্ম খুদিংমক দরকার ওইবা মরি লৈনবা পুন্নমক য়াওগদবনি।

ঘ) কোর্ট না এপ্লিকেসন অসি ফংবদ্গীনা নুমিৎ হুন্নি ফাওবদা মেজিস্ত্রেট না ৱারেপ অমা পুরাক্কাদবনি।

ঙ) সব-সেক্সন (১) গী মখাদা, এপ্লিকেসন খুদিংমক য়ারিবমখৈ নুমিৎ ৬০ ফাওবগী মনুংদা (অহানবা হিয়ারিং দাগী) মাংহনখিগদৌবনি।

১৩. নোটিস কি মরমদা; সেক্সন ১২ কি মখাদা, রেস্পোন্দেন্ত অদুদা মেজিস্ত্রেট না য়ল্লবদা নুমিৎ নিনিগী মনুংদা হিয়ারিং থোকননবা মতম অমা লেপ্পগী নোটিস হাইবদি ৱারো অমা খংহনগনি। হায়রিবা নোটিস অসি প্রোতেক্সন ওফিসর না মেজিস্ত্রেট কী য়াথং মখাদা রেস্পোন্দেন্ত তা খংহনবগী থবক অসি তৌগনি।

১৪. কানওন্সেলিং;

ক) প্রোসিদিং চথরকপা মতমদা এক্ত অসিগী মখাদা মেজিস্ত্রেট কী য়াথাং মখাদা রেস্পোন্দেন্ত নত্রগা এগ্রিব্দ পারসন বু পুন্না নত্রগা মথন-মথন্দা সরভিস প্রোভাইদর অমগী মের্ম্ব অমনা কানওন্সেলিং পিগদবনি।

খ) সব-সেক্সন (১) গী মখাদা মেজিস্ত্রেট না কেস অসিগী মথংগী হিয়ারিং তৌগদবা নুমিৎ অমা থা অনিগী মনুংদা অমুক লেপকদবনি।

১৫. ৱেলফেয়র এক্সপর্ট কী থৌদাং; এক্ত অসিগী মখাদা প্রোসিদিং তৌরিঙৈ মনুংদা মেজিস্ত্রেট না থাজাবা নত্রগা ফেমিলি ৱেলফেয়র গী মতাংদা খংলবা মীওই মরু ওইনা নুপিনা ওইনা মাগী থৌদাং পাংথোকপদা তেংবাংনবা থমগনি।

১৬. কেমেরা থমদুনা প্রোসিদিং পাংথোকপা; কেস অসিগী প্রোসিদিং চথরকপদা চিংননিংঙাই ওইবা লৈরগাদী পারতি অনিগী অপাম্বা খঙলবা তুংদা এক্ত অসিগী মখাদা কেমেরা মমাংদা তৌবা য়াই।

১৭. য়ুম অমগী মখাদা য়েংনরগা লৈবগী হক্;

ক) অতোপ্পা আইনগী ৱারোলশিংবু তুংওইননা থল্লগা, দোমেস্তিক রিলেসন্সিপ তা লৈমিন্নারিবা নুপীবু য়ুম অদুগী শরুক খরদা মহাকপু লৈহনবগী অয়াবা লৈ। হায়রিবা নুপী

অদুগী হক লৈরসু লৈত্রসু, মীংথোল অমা নত্রগা মরি লৈনবা শরুক য়াফম থোকপা মী ওইরসু ওইদ্রসু।

খ) এগ্রিব্দ পারসন অদুবু আইনগী মতুং ইন্না রেস্পোন্দেন্ত অদুগী লৈরিবা য়ুম অদুদা শরুক অমা পিগদবনি।

১৮. প্রোতেক্সন ওরর্দ:- এগ্রিব্দ পারসন অমসুং রেস্পোন্দেন্ত অনিবু কেস অদুগী হিয়ারিং অমগী তানজা অমা, লৈরিবা অচুম্বাশিং অদু য়েংলগা, দোমেসটিক ভাইয়োলেন্স থোকপবু ওইরসু থোকলক্তৌববু ওইরাসু প্রোতেক্সন ওরর্দ অমা পাস মেজিস্ত্রেট না এগ্রিব্দ পারসন অদুগীদমক তৌগনি। মতাং অসিদা রেস্পোন্দেন্ত অদুদা অথিংবা খরা থমগনি। মদুদি:-

ক) দোমেসটিক ভাইয়োলেন্স চত্থবা য়াদে;

খ) মতেং পাংব নত্রগা দোমেসটিক ভাইয়োলেন্স পু অতোপ্পদা তৌহনব য়াদে;

গ) এগ্রিব্দ পারসন অদুনা মীওই অমা নত্রগা অঙাং অমা ওইরবদি স্কুল নত্রগা থবক তৌফম নত্রগা মীওই অদুনা তোইনা চৎপা লম-মফমদা রেস্পোন্দেন্ত অদুনা চংবা নত্রগা চৎপা য়াদে।

ঘ) এগ্রিব্দ পারসন অদুগা করিগুম্বা লম্বী শিজিন্নরগা পাও ফাওনবদা অথিংব লৈগনি পারসোনেল ওইনা উন্নাব, ৱারি শানবা, অইবা ওইনা নত্রগা ইলেক্ত্রোনিক ওইবা নত্রগা তেলিফোনিক কোন্তেক্ট থম্বা য়াদে।

ঙ) কেস অসিগী নাকল অনিমক্কী মীওই অনিমক তোঙান-তোঙান্না মশা-মশাগী মিংদা লৈবা লন-থুম, স্ত্রীধন, বেঙ্ক একাওন্ত, বেঙ্ক-ৱার্কর শিংদা, অপুনবগী মিংদবু লৈরবশু মেজিস্ত্রেট কী অয়াবা য়াওদনা করিসু তৌবা য়াদে।

চ) এগ্রিব্দ পারসন অদুবু দোমেসটিক ভাইয়োলেন্স অসিগী মতাংদা তেংবাং পীরিবা মীওইশিংবু অৱা-অনা খুদোংথিবা নংহনবা য়াদে।

ছ) অতোপ্পা মখল অমত্তগী থবক – প্রোতেক্সন ওরর্দ অসিদা পনলিবা অমত্তা তৌবা য়াদে।

১৯. রেসিদেন্স কী ওইবা ৱারোল; সেক্সন ১২ সব-সেক্সন (১) গী মখাদা মেজিস্ত্রেট না দোমেসটিক ভাইয়োলেন্স থোক্লে হাইবা শেংনা খংলবকান্দা রেসিদেন্স ওরর্দ থোক্কনি।

ক) অপুনবা য়ুম অদুদ্গী এগ্রিব্দ পারসন অদুনা মশাগী থোকপা শরুক লৌনবা হোৎনবদা রেস্পোন্দেন্ত অদুনা অথিংবা পীবগী থবক অদু তৌরোইদবনি|

খ) অপুনবা য়ুম অদুদ্গী অশাবু তোঙান্না লৈনবা রেস্পোন্দেন্ত তা খংহনবা|

গ) এগ্রীব্দ পরসন অদুগী থবক তৌফম জগাদা; করিগুম্বা অঙাং ওইরগনা মাগী স্কুল অদু নত্রগনা তোইন চঙবা জগাদা রেস্পোন্দেন্ত ওইরিবা মীওই অদু চঙবা য়াদে। অদুগা এগ্রীব্দ পরসন না লৈরিবা য়ুমগী শরুক অদুদসু রেস্পোন্দেন্ত নত্রগা মহাক্কী মরি-মতানা চঙবা য়াদে।

ঘ) করিগুম্বা মখলগী অয়েৎপা অমত্তা এগ্রীব্দ পরসন অদুনা লৈরিবা য়ুমগী শরুক অদুদা অয়েৎপা-অপনবা মাঙহন-তাকহনবা অমত্তা পীবা য়াদে।

ঙ) মেজিস্ত্রেট তগী অয়াবা য়াওদনা রেস্পোন্দেন্ত অমনা অশাগী ফংলিবা য়ুমগী শরুক অদুদা মহাকনা মপু ওইবদগী হন্দোকপা য়াদে।

চ) করিগুম্বা ফীভম্না য়াদদনা এগ্রীব্দ পরসন অদু ভরাগী কা নত্রগা য়ুম অমদা লৈরবদি অদুদা অচঙবা পৈশা পুন্নমক রেস্পোন্দেন্ত না পুথোক্তবা য়াদে। করিগুম্বা রেস্পোন্দেন্ত অদু নুগী ওইরবদি মথক্তা পনখ্রিবা class (b) অসিগী ৱারোল অসি পাস তৌরোই।

২) এগ্রীব্দ পরসন নত্রগা মহাক্কী মচাগীসু য়াওরগা পায়খৎফম থোকপা চেকশিন-থৌরাংশিং পায়খৎনবা মেজিস্ত্রেট না চৎনহনবা য়াই।

৩) দোমেসটিক ভাইয়োলেন্স কী কম্মিসনবু ফজনা লৈননবা মেজিস্ত্রেটনা রেস্পোন্দেন্ত অদুগা বোন্দ হায়বদি ৱাফম খরদা য়ানাবা থম্নবা হোৎনগনি।

৪) সব-সেক্সন (৩) গী মখাদা থোক্লকপা ৱারোল অমবু কোদ ওফ ক্রিমিনেল প্রোসিদ্যর গী চেপ্তর ৮ কীৱারোল অমগা মান্ননা চনহনখ্রে।

৫) সব-সেক্সন (১), সব-সেক্সন (২), সব-সেক্সন (৩) গী মখাদা পাস তৌরবা ৱারোল অমগী মতুং ইন্না দরখাস্ত থাঙ্গৎলক্লিবা মীওই নত্রগা এগ্রীব্দ পরসন অনীমকপু ঙাকপি-শেনবিনবা খ্বাইদগী নকপা পুলিস স্তেসন অমনা তৌগদবনি।

৬) সব-সেক্সন (১) কী মখাদা, রেস্পোন্দেন্ত অমনা থিভমথোকপা ভারা, অচংবা পৈশাগী চাদিং অদু থিহন্নাবা হোতনবদা মেজিস্ত্রেটনা নমদনা থিহন্নবা হোতনৈ।

৭) প্রোতেক্সন ওর্দর চৎনহন্নবা লাকনবদা মেজিস্ত্রেটনা মরি লৈনবা পুলিস স্তেসন অদুগী ওফিস্ত ইন-চার্জ পু থৌদাং অসি লৌনবা তাকপা য়াই।

৮) এগ্রীব্দ পরসন অদুগী মমিংদা লৈজবা লন-থুম ষ্ট্রীধন নচিংবা পুন্নমক রেস্পোন্দেন্ত অদুদা হজিন্নবা হায়বা য়াই।

২০. পৈশাগী তেংবাংগী মখাদা :

১) মেজিস্ত্রেট অমনা সব-সেক্সন (১) গী মখাদা দোমেসটিক ভাইয়োলেন্স অদুদ্গী থোক্লকপা অমাং-অতা অমদি অৱা-অনা শিংগী মতেং ওইনবা পৈশাগী শেন্থং এগ্রীব্দ পরসনদা রেস্পোন্দেন্ত অদুনা পুথোক্লগা ফংহল্লি। কোর্ট ওফ ক্রিমিনেল প্রোসিদ্যর, ১৯৭৩ (২ ওফ ১৯৭৪) গী সেক্সন ১২৫ গী মখাদা নত্রগা মতম অদুদা চৎনরকপা আইনগী মতুং ইন্না এগ্রীব্দ পরসন অমদি মহাক্কি মচাগী দরকার ওইবা শেনফম, লন-থুম সম্পত্তিগী ওইবা অমাং-অতা কয়া, হিদাক-লাংথক্কি অচংবা পৈশা অমদি শেল তান্নাবা লম্বি লৈরক্রুবা নত্রগা অকাইব লাকপা মতমদা পৈশাগী তেংবাং অসি ফঙ্গনি।

২) সেক্সন অসিগী মখাদা ফংগদৌরিবা পৈশাগী তেফংবাং অসি মরম চাবা, অচুম্বা, অমদি এগ্রীব্দ পরসন অদুগী হিংবগী থাক অদুগা চান্নবা ওইগদবনি।

৩) মেজিস্ত্রেটকী অয়াবা অমা য়াওরগা হাইরিবা শেন্থং অসি থা-থাগী ওইনা পৈশা খরা পিবা য়াই।

৪) সব-সেক্সন (১) গী মখাদা পৈশা শেন্থং অসিগী মতাংদা মরি লৈনবা মীওই-পারতি অমদি পুলিস স্তেসন অদুদা খংহনবগী থবক অদু মেজিস্তেটনা পাংথোক্কদবনি।

৫) সব-সেক্সন (১) গী মখাদা, রেস্পোন্দেন্ত অদুনা এগ্রীব্দ পরসন অদুদা পৈশাগী তেংবাং অদু অক্কনবা মতমদা পিগদবনি।

৬) করিগুম্বা রেস্পোন্দেন্ত অদুনা পৈশাগী তেংবাং অদু পিবা ঙমদ্রবদি মেজিস্ত্রেটকী অয়াবা ইয়াওরগা রেস্পোন্দেন্ত অদুগী পিফম থোকপা পৈশা অদু কনাগুম্বা অমদ্গী পুরগা তৌখিবা য়াই অদুগা রেস্পোন্দেন্ত কি পিফম থোকপা শরুক্তা এজস তৌবা য়াই।

২১. ক্সতদিগী ৱারোলগী মতাংদা :

করিগুম্বা অঙাং য়াওরবদি অঙাং অদুবু য়েংশিনবিনবা এগ্রীব্দ পরসন নত্রগা মাগী মী অদুদা শিন্নবা য়াই হাইবা মেজিস্ত্রেটনা খংহল্লি। অদুগা দরকার লৈরকপদা রেস্পোন্দেন্ত অদুনা অঙাং অদু উন্নবা য়াগনি। করিগুম্বা অঙাং অদুদা খুদোং থিনিঙাই ওইগদবা ওইরবদি রেস্পোন্দেন্ত অদুনা অঙাং উন্নবদা অথিংবা থমগনি।

২২. কম্পেন্সেসন গী ৱারোলগী মতাংদা :

দোমেসটিক ভাইয়োলেন্স অসিনা ৱাখলগী-পুকনিংগী অৱাবা নংহল্লবদি থোক্লিবা অমাং-অতাশিং অদু মেজিস্ত্রেটকী মখাদা রেস্পোন্দেন্তনা এগ্রীব্দ পরসনদা মতেং ফংহনগদবনি।

২৩. ইন্তেরিম নত্রগা এক্স-পার্ত ওরদরস চৎনহন্নবগী শক্তি :-

১) এক্ত অসিগী মখাদা, মেজিস্ত্রেট মশানা চুম্মে মরম চারে হায়বগী ৱাখল লৈরবদি ইন্তেরিম ওরদর হায়বদি তশেংব অমা লৈত্রিঙৈদা মতম খরগী ওইনা চৎনহনব য়াবা ৱারো অমা চৎনহনবা য়াই।

২) মেজিস্ত্রেটকী মাইকৈদ্দগী চপ চানা দরখাষ্ট অদুগী অশেংবা ৱাফমদ্দগী খংবা থোক্লবা অদু ওইরবদি সেক্সন ১৮, সেক্সন ১৯, সেক্সন ২০, সেক্সন ২১ নত্রগা সেক্সন ২২ গী মখাদা দোমেসটিক ভাইয়োলেন্স থোক্লে নত্রগা থোকপা য়াবগী ফিভম লৈরে হাইনা এক্স-পার্ত ওরদর অমা রেস্পোন্দেন্ত অদুগী মায়োক্তা থোকপা য়াই।

২৪. কোর্টনা ওরদর কোপিশিং ফ্রি ওইনা ফংহনবা :

এক্ত অসিগী মখাদা, মেগিস্ত্রেট অমনা ওরদর কোপিশিং কেস অদুগা মরি লৈনবা মীওইশিং হায়বদি – দরখাষ্ট থারক্লিবা পারতিশিং, পুলিস স্তেসন, সরভিস প্রোভাইদর অমসুং সরভিস প্রোভাইদর অসিদা দরখাষ্ট থাগৎলক্লিবা অতোপ্পা সরভিস প্রোভাইদরশিংবু ওর্দরগী কোপিশিং লেম্না ফংহনবা অসিনি।

২৫. ওর্দর অমনা চৎগদবা অমদি ওন্থোক-ওনসিন তৌবা য়াবগী মতম :

১) এগ্রীব্দ পরসন অমনা মশানা য়ানা কমপ্লেন অদু হন্দোচদ্রিঙৈ মতম ফাওবা সেক্সন ১৮ গী মখাদা প্রোতেক্সন ওর্দর অসি চৎনগনি।

২) করিগুম্বা এপ্লিকেসন ফোর্ম অমদা এগ্রীব্দ পরসন নত্রগা রেস্পোন্দেন্ত অদুগী মাইকৈদগী অহোংবা নত্রগা অওনবা অমা লাক্লবদি, মদুগী মরমনচিংবা অদু অইবা অমা ওইনা থমহৌরগা মেজিস্ত্রেটকী ৱারেপ অমগী মতুং ইন্না ওর্দর অমা পাস তোউগদবনি।

২৬. আইনগী ওইবা প্রোসিদিং শিংদা তেংবাং ফংবগী মতাং :

১) আইনগী ওইবা প্রোসিদিং অসি শিভিল কোর্ট, ফেমিলি কোর্ট নত্রগা ক্রিমিনেল কোর্ট অমদা চত্থবা ওইরবসু সেক্সন ১৮,১৯,২০,২১ অমসুং ২২ গী মখাদা করিগুম্বা মখলগী তেংবাং এগ্রীব্দ পরসন অমসুং রেস্পন্দেন্ত শিংবু ফংহনবা হায়বসি এক্ত অসিনা চৎনদ্রিঙৈদগী লৈরক্লবনি।

২) সব-সেক্সন (১) গী মখাদা ফংলিবা তেংবাং অদু এগ্রীব্দ পরসন অদুনা শিভিল নত্রগা ক্রিমিনেল কোর্ট অমগী মখাদা চত্থরিবা প্রোসিদিং অদুদগী হান্না ফংলিবা খুদোংচাবা অদুগা পুন্না অদুম ফংমিন্নবা য়াই।

৩) এক্ত অসিগী মখাদা এগ্রীব্দ পরসন অদুনা ফংলিবা তেংবাং অদুগী মতাংদা মেজিস্ত্রেটতা খঙহনগদবনি।

২৭. জুরিসদিক্সন :-

১) এগ্রীব্দ পরসন, রেস্পোন্দেন্ত – অনীনা লৈরিবা মফমদুবু কোল্লিবা কোর্ট নত্রগা মখোয়না থবক তৌফম নত্রগা করবার তৌফম মফম অদুবু কোল্লিবা কোর্ট নত্রগা থৌদোক অদু থোকফম মফম অদুবু কোল্লিবা কোর্ট অদুগী মেজিস্ত্রেট কী মীৎয়েং মখাদা প্রোতেক্সন ওরদর অমসুং কেস অদুগী মতাংদা থবক পায়খৎলি।

২) এক্ত অসিগী মখাদা থোক্লকপা ওর্দর খুদিংমক ইন্দিয়া পুম্বদা ঙম্না-চৎনহনবা য়াই।

২৮. এক্ত অসিগী মখাদা, সেক্সন ১২,১৮,১৯,২০,২১,২২ অমসুং ২৩ অমদি সেক্সন ৩১ গী মতুং ইন্না ওফেন্সশিংবু কোর্ট অফ ক্রিমিনেল প্রোসিদ্যর ১৯৭৩ (২ ওফ ১৯৭৪) গী প্রোভিজন্না গোভর্ন তৌগনি।

২৯. আপিল তৌজবা : মেজিস্ত্রেট না এগ্রীব্দ পরসন নত্রগা রেস্পন্দেন্তকী মথক্তা অর্দর অমা হেক থোকপা নুমিত্তুদ্গী নুমিৎ ৩০ নিগী মনুংদা কোর্ট ওফ সেক্সন্দা তৌরকপা আপিল অদুগী মতাংদা মরি লৈনবা থবক পাংথোকপা হৌগনি।

৩০. প্রোতেক্সন ওফিসরস অমসিং মেম্বর ওফ সারভিস প্রোভাইদরশিং পব্লিক সরভেন্ত ওইনা- ইন্দিয়ান পেনাল কোদ (৪৫ ওফ ১৮৬০) কী সেক্সন ২১ গী মতুং ইন্না প্রোতেক্সন ওফিসর অমসুং সরভিস প্রোভাইদরশিংগী মেম্বরশিংবু পব্লিক সরভেন্তনি হায়বা য়াই।

৩১. রেস্পোন্দেন্ত না প্রোতেক্সন ওরদর থুগাইবদ্গী পেনালতি ফংবা :-

১) এক্ত অসিগী মখাদা, রেস্পোন্দেন্ত অসিনা করিগুম্বা প্রোতেক্সন ওর্দর বু থুগায়বা অদুদি মহাক কৈশুমশঙদা চহী অমা ফাওবা থম্বা য়াই নত্রগা ফাইন ওইনা লিশিং কুন থিহনগনি নত্রগা অনিমক তৌহনগনি।

২) সব-সেক্সন (১) গী মখাদা, মেজিস্ত্রেট না পাস তৌরকপা ওর্দরগী মতুং ইন্না করিগুম্বা কোর্ট কী অথিংবা থম্বদা থুগাইরক্লবদি, থুগাইবগী থবক তৌরিবা মীওই অদু মরাল লৈরবা মীওইনি হায়না লৌই।

৩) করিগুম্বা কেস অদুগী ফেক্তশিং অদু খঙলবা নত্রগা উরবদি লৈরিবা আইনগী মখাদা থোক্লবা চত্থরিবা থৌদৌ অদু অরানবানি হায়বা য়ারে। মসি সব-সেক্সন (১) গী মখাদা ইন্দিয়ান পেনাল কোদ (৪৫ ওফ ১৮৬০) গী সেক্সসন ৪৯৮ এ নত্রগা দাওরি প্রোহিবিজন এক্ত ১৯৬১ (২৮ ওফ ১৯৬১) গী মতুং ইন্না মেজিস্ত্রেট না মরাল লৈবা মী অদু পুথোকপা য়ারে।

৩২. কোগনিজেন্স অমসুং প্রুফ :-

১) কোদ ওফ ক্রিমিনেল প্রোসিদ্যর দা ইয়াওরিবা নিয়ম ১৯৭৩ (২ ওফ ১৯৭৪) অসিগুম্না ওইদ্রবসু, সব-সেক্সন (১) গী সেক্সন ৩১ গী মতুং ইন্না অরানবা থবক অদু চত্থরিবগীদমক্তা কেস অদু কোগনিজেন্স অমসুং নন-বাইলেবল ওইগনি।

২) সব-সেক্সন (১) গী সেক্সন ৩১ গী মতুং ইন্না এগ্রীব্দ পরসন মথন্তগী ওইবা তেস্তিমনি গী মতুং ইন্না মীওইশিং অদু মতাল লৈরে হায়বা য়াই।

৩৩. দ্যুতি তৌদ্রবা মতমদা প্রোতেক্সন ওফিসর বু দন্দি ফংহনবা- করিগুম্বা প্রোতেক্সন ওফিসর না মথৌ তৌদ্রবা মতিক চাবা মরমসু লৈতনা। অদুগুম্বা মতমদদি মেগিস্ত্রেটকী য়াথং চৈরাক ফংহনগনি। মথৌ তৌদবা ওফিসর অদু কৈশুমশঙদা লৈহনগনি (চহী অমা ফাত্তবা) নত্রগা ফাইন ওইনা লিশিং কুন (২০,০০০/-) নত্রগা অনিমক তৌফম থোকই।

৩৪. প্রোতেক্সন ওফিসর না পাংথোক্লম্বা অরানবা অদু মুন্না খঙদোকপিয়ু হায়বগী মতাং :-

ষ্টেট গোভর্নমেন্ত (ও) কী মমাঙদা চত্থরক্লিবা থবক-থৌরম অদু নত্রগা ওথোরাইসদ্ ওইরবা ওফিসর অমগী মহুত্তা প্রোতেক্সন ওফিসর অদুগী মায়োক্তা কমপ্লেন অমত্তা থাঙগৎলক্ত্রিফাওদি করিগুম্বা মখল অমত্তগী প্রোজেক্যুসন নত্রগা লিগেল প্রোসিদিং চত্থরোই।

৩৫. করিগুম্বা অরানবা অমত্তা য়াওদনা পায়খৎখিবা এক্সন :-

এক্ত অসিগী মখাদা নত্রগা নিয়ম অমদা নত্রগা ৱারোল অমগী মখাদা- করিগুম্বা অরানবা অমাত্তা য়াওদনা পায়খৎখিবা এক্সন অদুদগী থোকপা অমাং-অতা অদুগী মতাংদা আইনগী ওইবা হায়বদি প্রোজেক্যুসন, সুইত অমসুং লিগেল প্রোসিদিং অমত্তা প্রোতেক্সন ওফিসরগী মায়োক্তা লৌখৎপা য়ারোই।

৩৬. লো অমগী মমাঙদা এক্ত অসিবু চৎনহন্দবা তৌদবা :-

অতোপ্পা লো কয়াগী নিয়ম চৎন-পথাপশিংগী মরক্তা এক্ত অসিগী চৎন-পথাপসু অদুমক অদুম চৎনগনি।

৩৭. সেন্ত্রেল গোভর্নমেন্তনা রুল শেম্বাগী পাৱার :-

১) নোটিফিকেসন অমগী খুত্থাংদা এক্ত অসিগী মতাংদা সেন্ত্রেল গোভর্নমেন্তনা নিয়ম কয়া সেমদুনা খঙহনবা য়াগানি।

২) চৎনরিবা নত্রগা শিজিন্নারিবা শক্তি-নিয়মশিং অসিগা লোইননা মখাদা পল্লিবা নিয়মশিং অসি চত্থবা-

(ক) সব-সেক্সন ২ গী সেক্সন ৮ কী মনুংচন্না প্রোতেক্সন ওফিসর অমনা লৈগদবা ক্বালিফিকেসন অমসুং এক্সপিরিয়েন্স।

(খ) প্রোতেক্সন ওফিসর অমদি মহাক্কী মখা থাবা ওফিসরশিংনা চৎকদবা নিয়মশিং (সেক্সন ৮ সব-সেক্সন ২)।

(গ) দোমেস্তিক ইন্সিদেন্ত অমগী রিপোর্ট শেম্বদা ইংদবা নিয়মশিং (সেক্সন ৯ সব-সেক্সন ১)।

(ঘ) প্রোতেক্সন ওর্দরগীদমক এপ্লিকেসন থাবা মতমদা ইনগদবা নিয়মশিং (সেক্সন ৯ সব-সেক্সন ১)।

(ঙ) কমপ্লেগী ফোর্ম করন্না মেনগনি (সেক্সন ৯ সব-সেক্সন ১)।

(চ) প্রোতেক্সন ওফিসরনা পাংথোক্কদবা থৌদাং (সেক্সন ৯ সব-সেক্সন ১)।

(ছ) সরভিস প্রোভাইদরশিংনা রেজিস্ত্রেসন তৌবা মতমদা ইনগদবা নিয়মশিং (সেক্সন ১০ সব-সেক্সন ১)।

(জ) এক্ত অসিগী মখাদা সব-সেক্সন ১ গী সেক্সন ১২ কী মতুং ইন্না এপ্লিকেসন ফোর্ম অদু মতেং পাংবাশিংদা ফংহনবা অমসুং সব-সেক্সন ৩ গী সেক্সন ১২ গী মতুং ইন্না দরকার ওইবা হিরমশিং ফোর্ম অদুদা য়াওহনবা।

(ঝ) সব-সেক্সন ১ ওফ সেক্সন ১৩ গী মখাদা নোটিসশিং শর্ব তৌবা য়াই।

(ঞ) সব-সেক্সন ২ ওফ সেক্সন ১৩ গী মখাদা প্রোতেক্সন ওফিসরনা নোটিস অমা সরভিস অদুগী দিক্লরেসন ফোর্ম ওইনা থোক্কদবনি।

(ট) সব-সেক্সন ১ ওফ সেক্সন ১৪ গী মখাদা সরভিস প্রোভাইদর অমগী মেম্বর অমা করি-করম্বা ক্বালিফিকেসন অমসুং এক্সপিরিয়েন্স লৈগনি হায়বা য়াওরি।

(ঠ) সব-সেক্সন ১ ওফ সেক্সন ২৩ গী মখাদা এগ্রীব্দ পরসন অমনা ফোর্ম অদুগা লোয়ননা এফিদেবিট অমসুং ফাইল তৌবা য়াই।

(ড) অতোপ্পা ৰাফম লৈরবসু মরিক চুম্না পনবা য়াই।

৩) এক্ত অসিগী মখাদা শেমখিবা রুল খুদিংমক পারলিয়ামেন্তকী হাউস অনিমক্তা পুথোক্কনি। নুমিৎ ৩০ নিগী মনুংদা রুল অদু পারলিয়ামেন্তগী সেসনশিংদুদা পুথোখৌগদবনি। করিগুম্বা রুল অদুদা শেমদোক-শেমজিন তৌগদবা ওইরবসু রুল অদুগী অতাংদা য়ানিংদবা পামদবা লৈরসু হান্না শেমদোখৌবা অসিনি।

BRAHM AVTAR AGRAWAL

Addl. Secretary to Govt. of India.

লুহোংলবা নুপীগী সম্পত্তি (এক্সতেন্সন) এক্ত ১৯৫৯

**এক্ত নম্বর ৬১ ওফ ১৯৫৯**

[২৪ দিসেম্বর, ১৯৫৯]

লুহোংলবা নুপীগী সম্পত্তিগী (এক্ত, ১৮৭৪ গী) খুদোংচাবা ফংহন্নবা এক্ত অমনি, মসিগী এক্ত অসি ইন্দিয়াগী মফমশিংদা হৌজিকমক্কি ওইনদি চৎনবা হৌদ্রি।

রিপাব্লিক ওফ ইন্দিয়া না চহী ১০ শুরকপগী চহীদুদা পারলিয়ামেন্ত না লো অমা ওইনা পাস তৌদুনা, মখাদা লৈরিবা অসিগী মতুং ইন্না চৎনহল্লি।

১) এক্ত অসিনা অহানবা চথুরকখিবা অমসুং মিংথোল ফংবা-

(ক) এক্ত অসিবু লুহোংলবা নুপীগী সম্পত্তিগী (এক্সতেন্সন) এক্ত, ১৯৫৯ হায়না খঙনৈ।

(খ) সেন্ত্রেল গোভর্নমেন্তনা ওফিসিয়েল গেজেতকী ওইবা নোতিসকী খুথাংদা নুমিৎ অমা লেপতুনা এক্ত অসিবু চৎনহগনি হায়বা নিয়ম লৈ।

২) সেক্সন ২ দা অহোংবা থল্লকপা :-

লুহোংলবা নুপীগী সম্পত্তিগী এক্ত, ১৮৭৪ (৩ ওফ ১৮৭৪) গী সেক্সন ২ গী মতুং ইন্না, ১ নভেম্বর ১৯৫৬ কী মমাঙদা থোল্লকপা য়াম অথুবা অওনবা অমা হান্না জম্মু কাস্মির য়াওদনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শরুক পুম্বদা চৎনহনবা হায়বা অদুগী মহুত্তা ইন্দিয়াগী পার্ত বি ষ্টেটশিং য়াওদনা ইন্দিয়া পুম্বদা চৎনহনবা অসিনি।

৩) সেক্সন ৬ তা অহোংবা থল্লকপা :-

সব-সেক্সন (২) ওফ সেক্সন ৬ কী প্রিন্সিপাল এক্ত কীদমক মখাদা পীরিবা সব-সেক্সন অসিবু শিন্দোকপা :-

(২) সেক্সন ২ দা য়াওরিবাসিগী মথক্তা, সব-সেক্সন (১) দা পীরিবশিং অসি মখল কয়াগী পোলিসি ওফ ইন্সুরেন্সতা এপ্লাই তৌগনি, মসিদা ইথিল অমা পীরক্কদবশিং অদুদি-

ক) হিন্দু, মুশলমান, সিখ নত্রগা জেন না-

১) ৩১ দিসেম্বর ১৯১৩ গী মতুংদা মাদ্রাসতা নত্রগা

২) ১ এপ্রিল ১৯২৩ গী মতুংদা মেরিদ রুমেন্স প্রোপরতি (এক্সতেন্সন) এক্ত, ১৯৫৯ হায়বদি লুহোংলবা নুপীগী সম্পতিগী এক্ত অসি চৎনবা হৌদ্রিঙৈগী মাঙোইন্না তেরিতোরি অমদা হেক্তা থুনা শন্দোকখিবা।

৩) মেরিদ ৰুমেন্স প্রোপরতি এক্ত, ১৯৫৯ অসিনা চৎনবা হৌবা নুমিত্তগী নত্রগা চৎনবা হৌবদগী তেরিতোরি অমদা হেক্তা এক্ত অসি শন্দোকখিবা।

খ) মেরিদ ৰুমেন্স প্রোপরতি (এক্সতেন্সন) এক্ত, ১৯৫৯ অসিনা চৎনরকপা নুমিত্তাগী নত্রগা মতুংদগী, বুধিস্ত অমনা তেরিতোরি অমদা হেক্তা এক্ত অসি শন্দোকখিবা।

৪) ১৯৫০ গী এমেন্দমেন্ত এক্ত ৩০-

য়ুনিয়ন তেরিতোরি এক্ত ১৯৫০ (লোস) গী শেদ্যুলগী পার্ত এ দগী মেরিদ ৰুমেন্স প্রোপরতি এক্ত, ১৮৭৪ গা মরি লৈনবা ৱাফম অদু য়াওহাল্লোই হায়বা অসিনি।

৫) রিপিল হায়বদি ওফিসিয়েল্লি লো অমবু চৎনহন্দবা অমদি শেভিং তৌহৌবা-

করিগুম্বা এক্ত অসিনা চৎনদ্রিঙৈদা তেরিতোরি অমদা লো অমা চৎনরম্লবা অদুগা প্রিন্সিপাল এক্ত অসিসু লো অসিদগী শেমদরকপা এক্ত ওইরগদি হান্নাগী লো অদুসু শেভ তৌরগা থমগনি অদু নত্রগা লো অদু এক্ত অসি চৎনরকপদা অদুম থিংজিনখ্রগনি।

মখাদা পল্লিবশিং অসি লো অদুনা থিংজিনখিবদা শোকহন্দবা-

ক) লো অদুগী মখাদা চথুরম্বা হান্নাগী থবক-থৌরম,

খ) কনাগুম্বগী হক, অথিংবা থম্বা নত্রগা তৌফমথোকপা, খুদোংচাদবা নংহনখিবা, নত্রগা মতমগী মতুং ইন্না হেনগৎলকপশিং,

গ) করিগুম্বা মখলগী দন্দি নত্রগা চৈরাক পীখিবা লৈবা,

ঘ) মমাংদা পনখ্রিবা অথিংবা, তৌফম থোকপা থবক, চৈরাক, দন্দি অসিবা মরি লৈনবা থিজিন-হুমজিনবগী, লিগেল প্রোসিদিং, অসিনচিংবগী থবকশিংদা, অপনবা অমত্তা পিবিদনা, এক্ত অসি পাস তৌদে হায়বগী মওংদা চৎথুবা অসিনি। মখা তানা পল্লবদা, লো অসিগী মখাদা পায়খৎখিবা থবক-থৌরমশিংবু প্রিন্সিপাল এক্ত অসিগী মখাদা অদুম পায়খৎপা হায়না লৈ। থৌওং অসি প্রিন্সিপাল এক্ত অসিনা করিগুম্বা অহোংবা অমা পুরক্ত্রিফাওবা ওইগনি।

দি দাওরি প্রোহিবিজন এক্ত, (১৯৬১)

**এক্ত নম্বর ২৮ ওফ ১৯৬১**

[২০ মে, ১৯৬১]

অউনপোৎ পিবা নত্রগা লৌবগী থৌওংদা অথিংবা থম্বগী এক্ত।

রিপব্লিক ওফ ইন্দিয়ানা চহি ১২ শুরকপগী চহীদুদা পারলিয়ামেন্ত না লো অমা ওইনা পাস তৌদুনা, মখাদা লৈরিবা অসিগী মতুং ইন্না চৎনহল্লি।

১. এক্ত অসিনা অহানবা চৎনরকপা অমসুং মিংথোল ফংবা-

ক) এক্ত অসিবু দাওরি প্রোহিবিজন এক্ত, (১৯৬১) হায়বদি অউনপোৎ পিবা নত্রগা লৌবগী থৌওংদা অথিংবা থম্বগী এক্ত অসিবু খংনৈ।

খ) জম্মু কাস্মির গী ষ্টেট য়াওনা ইন্দিয়া পুম্বাদা চৎনরগা লৈ।

গ) সেন্ত্রেল গোভর্নমেন্ত না ওফিসিয়েল গেজেতকী ওইবা নোতিসকী খুখাংদা নুমিৎ অমা লেপতুনা এক্ত অসিবু চৎনহনগনি হায়বা নিয়ম লৈ।

২. দাওরি হায়রিবাসি কদাইবু কৌবগে?

এক্ত অসিগী মতুং ইন্না লন-থুম সম্পতি নত্রগা মরুওইবা চেকসিন থৌরাংগা মরি লৈনবা পোৎলমশিং দাইরেক্লি নত্রগা ইন্দাইরেক্লি পিবগী য়ানবা অদুবু দাওরি হায়না খঙনৈ।

ক) লুহোংবাগী পার্তি অমনা লুহোংবাগী পার্তি অমদা পীবা, নত্রগা

খ) মমা-মপা ওইবসিংনা লুহোংলিবা মীওই অনীমক্তা নত্রগা অমদা নত্রগা মীওই অমনা লুহোংলিবা মীওই অনীমক্তা নত্রগা অমদা নত্রগা অতোপ্পা মীওই অমদা পীবা অসিনি।

দাওরি পিবাগী থৌওং অসি লুহোংবা নুমিৎ নত্রগা অদুগী মমাঙ অদুগা মুশ্লিম পারসোনেল লো (শরিয়াত) কী মতাংদনা মহর পীবা অসি পাঙথোকই।

এক্সপ্লেনেসন ২: “ভেলুএবল সেক্যুরিতি” হায়বদি য়াম্না মরুওইবা চেকশিন থৌরাংগী থবক অদুবুনি, ইন্দিয়ান পেনাল কোদ (৪৫ ওফ ১৮৬০) গী সেক্সন ৩০ গী মনুংদসু ৱাহন্থোক অসিমক মান্নবা য়াওই।

৩. দাওরি পীবা নত্রগা লৌবগী থবক পাংথোকপদা পেনালতি পিবা

১) এক্ত অসিনা চৎনরকপদ্গী হৌনা, করিগুম্বা মীওই অমত্তনা দাওরি পীবা নত্রগা লৌবা নত্রগা পীননবা-লৌননবা শিল্লম্বা থোক্লবদি মীওই অদু পেনালতি হায়বদি দন্দি ওইনা

চহি ৫ দগী তাদনা জেলদা থমগনি লোয়নন ফাইন ওইনা লুপা লীশিং ১৫ থিহনগনি, দাওরিগী মমলনা হেল্লগদি অনী অসিগী মনুংদাগী অহেনবা অদু থিহনগনি।

কোর্ট না ৱায়েল বিচার তৌরকপা মতমদা খরা তোঙানবা চপ-চাবা মরম খরদগী জেলদা থম্বগী চৈরাক অদু চহী ৫ দগী হন্থরকপা য়াই।

২) সব-সেক্সন (১) দা পনখ্রিবশিং অদুনা মখাদা পিরিবশিং অসিদা করিগুম্বা মরি অমত্তা লৈনরোই :

ক) করিগুম্বা মখল অমত্তগী হায়নবা লৈতনা লুহোংবা মতমদা লুহোংবাগী কৈন্যা অদুনা ফংলিবা খুদোলশিং।

করিগুম্বা মখল অমত্তগী হায়নবা লৈতনা লুহোংবা মতমদা লুহোংবাগী বর অদুনা ফংলিবা খুদোলশিং। হায়রিবা খুদোলশিং অসি এক্ত অসিগী মতুং ইন্না নিয়ম অমদা লিস্ত অমদা চনশিল্লগা থমগনি। ফংলিবা খুদোল অদু খুদোল অদুবু তম্লিবা মীওই অদুগী লৈজবা থাক অদুদগী হেলহন্দনবা খংহল্লকলি চৎনবীগী মতুং ইন্না তৌবা খুদোলগীদি অকায়বা লৈতে।

৪. দাওরি লৌবগী পেনালতি – কনাগুম্বা মীওই অমনা খুখাং অইরসু খুখাং নত্রবসু বর-কৈন্যা অনিগী মমা-মপা নত্রগা মরি-মতা অহল-লমনশিংদগী দাওরি লৌরম্বা থোক্লবা, মীওই অদু দাওরি লৌবগী দন্দিদা জেলদা থা ৬ তগী তাদনা লৈহনগনি, মসিনা চহী ২ ফাওবা শাঙতোরকপা য়াই অদুগা ফাইন লুপা লীশিং ১০ শু লৌগনি।

অদুবু কোর্টকী অয়াবা লৈরবদি মরুওইবা চপচাবা তোঙানবা মরম লৈরবদি চৈরাক অদু থা ৬ তা হন্থরকপা য়ানা লৈ।

৪ক. এদভরতিসমেন্ততা বেন তৌবা :

ক) কনাগুম্বা মীওই অমনা মচা নুপা নত্রগা মচা নুপী লুহোংবগী ৱাফমগ মরি লৈনন মহাক্কি লৈরিবা লন-থুম সম্পত্তি পৈশা নত্রগা করবারগী শরুক খরা পিগনি হায়বনচিংবা ৱাফম এদভরতিস তৌবা য়াদে। মসিদা মহাক্কি মচা নত্তবা অতৈ মরি-মতাগী লুহোংবাগীবু ওইরবসু এদভরতিস অসিদা অথিংবা লৈগনি।

খ) ক্লোস ক) দা পল্লিবা ৱারোল অসিগী মতাংদা চেফোং নমদুনা নত্রগা করিগুম্বা মখল অমত্তাগী পাওজেল ওইনা চেদা নমদুনা শন্দোক্লবদি, মদুগী চৈরাক ওইনা য়ামদ্রবদা অদুগী চৈরাক ওইনা য়ামদ্রবদা থা ৬ তগী তাদনা চহী ১ ফাওবা জেলদা লৈহনবা নত্রগা ফাইন য়াওনা লুপা লিশিং ১৫ ফাওবা থিহনগনি। অদুবু লোর্টকী তোঙানবা অয়াবা লৈবা থোক্লবদি জেলদা লৈবা অদু থা ৬ কী মখাদা ওইরকপা য়াই।

৫. দাওরি পীবা-লৌবদা য়ুমফম ওইবা এগ্রিমেন্ত পুন্নমক চৎনবা অমত্তা য়ারোই।

৬. দাওরি অদুগী কান্নবা মহাক্কী লোয়নবী নত্রগা লোয়নবী অদুগী আইনগী মতুং ইন্না লৈবা শুথাং হায়বদি হেয়র দা মীওই অদুনা পীগদবনি।

ক) করিগুম্বা দাওরি অদু লুহোংদ্রিঙৈ মমাং নত্রগা লুহোংলবা মতুং থা ৩ গী মনুং নত্রগা

খ) লুহোংবা নুমিত্তা ফংবা দাওরি নত্রগা লুহোংলবা মতুং থা ৩ গী মনুংদা, নত্রগা

গ) করিগুম্বা নুপী অদুনা অঙাং ওইরিঙৈ চহী ১৮ শুদ্রিঙৈ হায়বদি মাইনর ওইরিঙৈদা ফংবা দাওরি ওইরবদি ত্রস অমদা মতম খরগী ওইনা পিরগা কোন্না নুপী অদুদা শিন্নগদবনি।

(২) করিগুম্বা মীওই অদুনা সব-সেক্সন (১) গী মখাদা লন-থুম অমত্তা পীথোক্ত্রবদি সব-সেক্সন (৩) গী মখাদা মহাকপু জেলদা থা ৬ তগী তাদনা লৈহনগনি মদুনা চহী ২ ফাও ফাইন লিশিং ৫ দগী তাদনা লৌরগা দন্দি পিগনি। ফাইন অসি লিশিং ১০ ফাওবা ওইরকপসু য়াই।

(৩) সব-সেক্সন (১) গী মখাদা, নুপী অদুনা করিগুম্বা শিখিবা থোক্লবা অদু ওইরগদি মহাক্কি শুথাং (আইনগী নিয়ম মতুং ইন্না) অদুনা মীওইদুদগী নুপী অদিগী মমিংদা লৈবা লন-থুমশিং লৌশিনবা য়াগনি।

করিগুম্বা নুপী অদুনা লুহোংবা মতুং চহী ৭ কী মনুংদা শিবা নত্রগা থোইবা অকাইবা অরানবা মরম নত্তবদা মশাগী শিজখিবা ওইরবদি মহাক্কি লন-থুম অদু

ক) করিগুম্বা মচা লৈত্রবদি মমা-মপাদা ফংহনগনি। নত্রগা

খ) করিগুম্বা মচা লৈরগনা মচা অদুদা ফংহনবা নত্রগা ত্রান্সফর তৌবদা খরা থিন্থবা লৈরগনা ত্রস অমদা অঙাংদুদা পিদ্রিঙৌদা থমগনি।

(৩ক) সব-সেক্সন (২) গী মখাদা মরাল লৈরবা মীওই অদুনা সব-সেক্সন (১) গী মখাদা নত্রগা সব-সেক্সন (৩) গী মখাদা লন-থুম অদুগী মপু ওইরিবা নুপী অদুদা নত্রগা মহাক্কি মমা-মপা, মচা নত্রগা হেয়রস তা খুশিন্নদ্রবদি মীওই অদু দন্দি ফংগনি। লোয়নন কোর্ট না দন্দি পিবতা নত্তনা অইবা ৱারোল অমদা লন-থুম অদু নুপী মশাদুদা নত্রগা মহাক্কি মচা, মমা-মপা নত্রগা হেয়রসতা খুৎশিন্নদ্রবদি মরাল লৈরবা মীওই অসিদগী নুপী অদুগী লন-থুম অদুগী মমল চপচাবা মীওইদুদগী লৌখৎকনি ফাইন অমা ওইনা অদুগা নুপী অদুদা নত্রগা নুপী অদুগী মীওইশিংদা শিন্নগনি। হায়রিবা মরাল লৈরবা নুপা অসিদা অহানবদা লন-থুম অদু নুপীদুদা নত্রগা মহাক্কি মীওইশিংদা খুৎশিন্ননবা মতম অমা পীগনি মসিদা শোয়রক্লকান্দা ফাইন (মথক্ত পনখিবা) অদু লৌখৎকনি।

৪) সেক্সন অসিদা পল্লিবশিং অসি সেক্সন (৩) নত্রগা সেক্সন (৪) দা অকায়বা অমত্তা লৈরোই।

৭. আইন্‌না য়াদবা থৌওংশিংবু খঙজিনবা-

১) কোদ ওফ ক্রিমিনেল প্রোসিদ্যর, ১৯৭৩ (২ ওফ ১৯৭৪) দা পল্লিবা ৱারোল অসি ন্তবা অতোপ্পা ইল্লোইদবনি।

ক) মেত্রোপোলিতান মেজিস্ত্রেট নত্রগা জুদিসিয়েল মেজিস্ত্রেট তগী তাবা কোর্টনা এক্ত অসিগী মখাদা কেস অমত্তা পায়রোইদবনি।

খ) এক্ত অসিগী মখাদা কোর্ট অমত্তনা ওফেন্স হায়বদি আইন না য়াদবা থৌওং অসিগি মতাংদা খঙলবা ৱাফম ওইনা থল্লোইদবনি। অদুবু মখাদা পল্লিবা ফিভম খরদদি কোমথোকপা লৈগনি।

১) ওফেন্স অসিদা য়াওরিবা অচুম্বশিং পুলিস রিপর্ত না নত্রগা নোলেজ অমা লৈজবদগী খঙলকপা, নত্রগা

২) আগ্রিব্দ পারসন নত্রগা মমা-মপা নত্রগা মরি-মতা নত্রগা শকখঙলবা ৱেলফেয়র ইনস্তিতুস্যন নত্রগা ওরগানাইজেসন অমগী খত্থাংদা লাকপা কমপ্লেন।

গ) এক্ত অসিগী মখাদা, মেত্রোপোলিতান মেজিস্ত্রেট নত্রগা জুদিসিয়েল মেজিস্ত্রেট (ফর্স্ট ক্লাস) অমনা মরাল লৈরবা মীওইবু চৈরাক পীবা মতমদা আইন্ গী চপ চাবা অয়াবা লৈ।

২) এক্ত অসিগী মখাদা, ওফেন্স অমা থোক্লকপদা পায়খৎকদবা থৌদাংশিংদা কোদ ওফ ক্রিমিনেল প্রোসিদ্যর, ১৯৭৩ (২ ওফ ১৯৭৪) গী চেপ্তর ৩৬ তা পল্লিবা অদু য়াওরোই।

৩) আইন্ কয়ামগী মতুং ইন্না ওইরবসু আগ্রিব্দ পারসন অদুনা ওফেন্স অমগী মতাংদা মীওই অমবু মরাল লৈরে হাইনা হেক্তা লৌবা য়ারোই হায়বা এক্ত অসিগী মখাদা পল্লি।

৮. ৱায়েল বিচার তৌবা য়াবা মরম মুন্না খঙলবা থৌওং হায়বদি কোগনিজেবল ওইবা অমদি বাইলেবল – নন-কম্পাওন্দেবল ওইবা ওফেন্সশিংগী মতাংদা-

১) এক্ত অসিগী মখাদা কোদ ওফ ক্রিমিনেল প্রোসিদ্যর, ১৯৭৩ (২ ওফ ১৯৭৪) গী মতুং ইন্না করিগুম্বা কোগনিজেবল ওফেন্স ওইরবদি-

ক) ইনভেস্টিগেসন তৌবা য়াই,

খ) সেক্সন ৪২ দা য়াওবা কোদ ওফ ক্রিমিনেল প্রোসিদ্যর গী ৱারোলশিং নত্তবসু য়াওগনি,

গ) অমসিং মেজিস্ত্রেট কী অয়াবা য়াওদনা নত্রগা ৱারন্ত অমা য়াওদনা মীওই অদুবু এরেস্ত তৌনবা পায়খৎপা থবকশিংসু য়াওগনি।

২) এক্ত অসিগী মখাদা ওফেন্স খুদিংমক নন- বাইলেবল এন নন-কম্পাওন্দেবল ওইগনি।

৮ক. অককনবা কেস খরদা শাখি পুথোক্তবদ মায়োকনবা অৱাবশিং-

সেক্সন ৩ গী মতুং ইন্না মীওই অদুনা দাওরি লৌবদা মতেং পাংলম্বা থোক্লবা নত্রগা সেক্সন ৪ গী মতুং ইন্না দাওরি লৌরম্বা অদুদি মশাবু মরাল লৈতে হায়না মশানা শাখি থিজগদবনি।

৮খ. দাওরি প্রোহিবিজন ওফিসরস (দাওরি লৌবা থিংনবা ওফিসর)

১) এক্ত অসিগী মতুং ইন্না, লম্ অসিদা অতিক চারে খঙলবা মীওইশিংবু ষ্টেট গোভর্নমেন্ত কী দাওরি প্রোহিবিজন ওফিসর ওইনা খনগনি।

২) দাওরি প্রোহিবিজন ওফিসর গী থৌদাংশিং-

ক) এক্ত অসিগী মখাদা লৈরিবা চৎন-পথাপ অসি চৎনবা য়াব্রা-য়াদব্রা হায়বনচিংবা য়েংশিনগনি।

খ) দাওরি লৌবা নত্রগা লৌবদা তেংবাংবশিংদগী ঙাকথোকনবা থবক পায়খৎপা।

গ) এক্ত অসিগী মখাদা ইভিদেন্স কল্লেক্ত তৌবা।

ঘ) ষ্টেট গোভর্নমেন্ত না ওককনা পীথরকপা থবক পাংথোকপা।

৩) ওফিসিয়েল গেজেট কী ৱারোল অমদা ষ্টেট গোভর্নমেন্ত না এক্ত অসিগী মখাদা দাওরি প্রোহিবিজন ওফিসর না পায়রিবা জুরিসদিক্সন অদুনা মনুং চনবদা লৈরিবা শোসিয়েল ৱারর্কশিংগী মরক্তগী এদভাইজরি বোর্দ মেম্বর ওইনা ৫ দগী হেন্না খন্নবা ষ্টেট গোভর্নমেন্ত না শিল্লি। মসিনা দাওরি প্রোহিবিজন ওফিসরশিংবু থবক পাংথোকপা মতমদা হেন্না মতিক চানা থবক অদু পাংথোকনবা তৌবনি।

৯. নিয়মশিং শেম্নবা শক্তি (পাৱর) :-

১) ওফিসিয়েল গেজেট অমগী ৱারোল অমা থোক্তুবা সেন্ত্রেল গোভর্নমেন্ত না নিয়মশিং এক্ত অসিগী মতাংদা শেম্মি।

২) মমাঙদা শিজিন্নরম্বা পাৱর গী মতাংদা মরমচানা খঙবা লৈত্রগসু, নিয়মশিং অসিনা ফংহল্লিবা অসিদি-

ক) অচংবা ফোর্ম ফংথ্রবা খুদোলপোৎকি লিস্ট ফজনা সেম্লগা থম্বা অমসুং মরি লৈনবশিং (ৱাথোক অদুগা) ফজনা থম্বা (সেক্সন ২ ওফ সেক্সন ৩)।

গ) এক্ত অসিবু ফজনা চলাইবা ফজনা ই-পাও ফাওনদুনা পোলিসি অমসুং এক্সন লৌখৎপা।

৩) সেক্সন অসিগী মখাদা শেম্লিবা রুল খুদিংমক পারলিয়ামেন্ত কী হাউস অনিমক্তা মখোয়গী সেসন চত্থরিঙৈদা লোইদ্রিঙৈদা পুথোক্কদবনি। হায়রিবা সেসন অসি নুমিৎ ৩০ নিগী ওইগনি। অদুগা রুল অসি হাউস অনিমকনা য়ারাকান্দতা রুল অসি শেম্লে য়ারে হায়না লৌগনি অদুনত্রবদি হান্ননা খঙদনা করিসু চৎনবা য়ারোই।

১০. রুল শেম্বাদা ষ্টেট গোভর্নমেন্ত কী পাৱর-

১) এক্ত অসিগী থৌদাং কয়া পাংথোকনবা ওফিসিয়েল গেজেট তা ৱারোল অমা থোখন্দুনা নিয়মশিং শেমগনি।

২) মমাঙদা শিজিন্নরম্বা পাৱরবু খঙলুদবা লৈরবসু অসিগুম্বা নিয়মশিংনা মখাদা পীরিবা হিরমশিং অসিদা পিরিবা খুদোংচাবা অদুদি-

ক) সব-সেক্সন (২) ওফ সেক্সন ৮খ গী মতুং ইন্না দাওরি প্রোহিবিজন ওফিসর না পাংথোকপা য়াবা অহেনবা থৌদাং খরা লৈগনি।

খ) সেবসেক্সন (৩) ওফ সেক্সন ৮খ গী মতুং ইন্না দাওরি প্রোহিবিজন ওফিসর না পায়খৎকদবা থৌদাংশিংদা লৈবা অয়াবা-য়াদবা খরা লৈগনি।

৩) ষ্টেট লেজিসলেচর গী মমাঙদা শেমখ্রবা রুলশিংবু অথুব মতমদা সেক্সন অসিগী মখাদা ষ্টেট গোভর্নমেন্ত কী মমাঙদা পুথোক্কুনা চৎনহন্ননবা তৌবা অসিনি।